থন্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মেমোরিবু হ্যুমেন ইন্টেলিজেন্স'লা?

মখুৎতা পায়রিবা পোৎ অদুবু কদায়দা লৈখ্রবগে হায়না কোয়থি থিবা... মমিৎতা উৎলিবা আনোক অদু কাউথোকখিদুনা 'আনোক মাঙখ্রে' হায়না কোয়থি থিবা... অহল ওইশিল্লক্লবা মীওইশিংদা তোয়না থেংনবা থৌদোক অমনি। অহল ওইর ওইরগা কাউজল থীবা হেল্লকপা- হায়নরকই মমাঙঙৈদগী হকচাং মন্থরকপননি। হকচাং মন্থরকপনা পূক্লিং-ৱাখল শোন্থরকই, নীংশিংবই পাঙ্গল ৱাৎলকই। অহল-লমন, ঈথক থোংবশিংনা তন্বীরকপনা চুন্নবোই নীংই ৱাফমসি। অদুবু, তশেংবদি ৱাফম অসি অরানবনি। অহল ওইবা অমদি কাউজল থীবা-অনীসি মরী লৈনদে। কাউবা হায়বসিদি নীংশিংবদু মাঙখিবনি। নীংশিংবা হায়বসিমক্তবু নোংমা শোয়দনা মাঙখিনি, নোংমা শোয়দনা কাউখিনি। কাউখিনবা নীংশিংবনি। মেমোরি হায়বসি আর এন এ হায়বা প্রোটিন (কেমিকেল) অদুনা ব্রেনগী সেল (নিউরোন) অমদা তুংশিন্দুনা লৈবা ইনফোর্মেসন অমনি। আর এন এ অদুনা মাঙখিবদা মেমোরিদুসু মাঙখিনি। মসিনা নীংশিংবগী সাইন্টিফিক দিফিনিসননি। ফিলোজোফিকল ওইবা মীৎয়েংদা, নীংশিংবা হায়বসি হৌখ্রবা মতমদা থোকখিবা কান্নদবা থৌদোক ময়ামদুনি। অদুক্কী মতিক থুনা কাউথোকখিবা, ব্রেন'দুদই তান্থোকখিবা ঙল্লিমখে অফবনি। ফিলোজোফর (ৱাংউবা)শিংনা হায়- মেমোরিনা ইন্টলিজেন্সপু মাঙহল্লি, ওরিজিনেলিটি লৈহন্দে। লৌশিংগী মঙাল ফংলবা, এনলাইটন ওইরবা (অরান-খুভম ফংলবা) মী হায়বদুদি নীংশিংবগী মখা পোন্না হিংদে। হৌখ্রবা মতমগীদমক নুংনাংদে। মখোয়দি হৌজিক অমসুং তুংলমচৎ'তুগী খল্লগা হিংই। খন্থবীয়ু অমুক্তা অদোমগী নীংশিংবা মরক্তা হয়েংগী মীকুপ য়াওবরা? নীংশিংবগী মখা পোন্না হিংবা হৈনরবা মঙোন্দদি পুন্সিদা থোকপা থৌদোক খুদিংমক থেংনখ্রবা এক্সপরিয়েন্স অমগী মখা পোন্না মায়োক্লনবা লাক্লগনি- অসিগুম্বা তানফমদা মমাঙদা কনানা করি তৌখি? মান্নদবা মতম অমদা অতোপ্পা সিচুয়েসন অমদা তৌখিবা থবক থৌরমদু মশাদা ঙসি পানশিন্নবা হোৎনগনি। য়াদ্রগা লাংতক্লগনি, ফুন্থংননা লৈগনি। হৌখ্রবা মতমগী নীংশিংবা মরক্তা লেপ্লিবা, অনৌবা মতমগী হোংলক্লিবা সিচুয়েসনদা চুশিন্ননা হিংবা ঙমদবগী অৱাবনি ঙসিগী অহলশিংনা মায়োক্ল রিবা। কাউজল থীবগী প্রোব্লেম নত্তে, হৌখ্রবা মতমগী সিচুয়েসন'দু হৌজিক্কীসিদা এদজষ্ট তৌবা হৈতবনি।

অসুম্না, ঙসিগী মালেম'না চরাংনরিবা, য়েংথীনবা হেল্লিবা, নুংশিনবা ৱাৎলিবা-মীওইবগী ধর্ম্ম, রিলিজন, লাইনিংলোন'দা মপাল তাংদুনা হিংনবা হোৎনরুবদুননি। য়াবীনিংবরা? গীতা, বাইবল, কোরান'নচিংবা ধর্ম্মগী মরুওইবা লাইরিকশিং আ মমাঙঙৈগী



কুইরবা, মল্লবা লাইরিকমক্তনি। মীওইবই ৱাখলসিসু অঙকপনি- অসিগুম্বা ধর্ম্মগী ৱারী ইবা লাইরিকশিং অদুক্কী মতিক কুইরে, লীরে হায়রগা চাউথোকচবা পোক্লরি। খ্বাইদগী লীরবা ধর্ম্মদুনা খ্বাইদই ফবা ধর্ম্মরা? ৱাহংসিনি হংদৌবা। মুন্না খনজিল্লুরবা, অদোমসু খন্থরক্কনি- অদুক্কী মতিক কুইরবা, লীরবা মতম হায়বসিনা কয়ামুক য়াম্না চন্নদ্রবা ৱাখল্লোন্নো হায়বদু তাক্লিবনি... ঙসিগী রিঅলিটি ময়ামসিদগী কয়ামুক য়াম্না লাপখ্রবনো হায়বদু উৎলিবনি। মতমদুগী পুন্সি লীক্লম, য়ুম্লে কৈরৈ, ৱাখল লীক্লম করিমত্তসু ঙসিগী মীরোলনা মতৌ তমদ্রগা মখোয়গী য়াথংদুবুদি করিগী অথোয়বনি খল্লিবা? মখোয়দুতবু মীথোয়বনি, মীহেনবগী হায়বা ৱাখলদুনা ঐখোয়গী নীংশিংবা মরক্তা তোমথিন-তরক লৈখিবনা, ইশাদগী থোকচরক্কদবা 'ইন্টেলিজেন্স' নমহৎতুনা মাঙহনখি। অদোমগী কোক্তা য়াওরিবা মেমোরিগী ষ্টোক লোইখিবা করিসু নুংনাংবীরুনু। হৌখিবা মতমগী নীংশিংবা অমা মাঙখ্রিবদু ফরবনি খন্দোকসি। ৱারী অমা নীংশিংসি।

অফাওবা দ্রামাটিষ্ট 'জোর্জ বার্নার্দ সো'-নোংমা ট্রেন তোংদুনা মফম অমদা চৎলম্মী। লাইরিক অমা পুদুনা পূক্লিং লূপ্তুনা লৈরুঙৈ, ট্রেন টিকেট চেক তৌবা নুপাদুনা মাগী টিকেট উৎননবা হায়রকপদু তাহৌদ্রে।

-'টিকেট প্লিজ'... অমুক হন্না হায়রকপদুদা 'ওহ, য়েস! সোরি' হায়রগা মাগী ফুরিৎ-খোঙগ্রাউ পুম্নমক্কী পোক্কেটশিংদু হুমদুনা কোয়থি থিবদা টিকেট অদু ফংদরে। পাখৎপা অমগা লোয়ননা মানা পারল্লিবা লাইরিক্তুগী লামায়শিংদু ফর-ফর ফাক্তুনা য়েংলে, য়াওরমদ্রে। বেগ মচাদুদসু হুম হুমদুনা থিরে ফংদরে। মায়থোঙদা তারিবা পাখৎপগী মমিদুসু লোৎঙমদ্রে। মশক নাইবা মী অমনিনা টিকেট চেক্করদুনা মাবুসু মশক নীংথিনা খঙই। নোকফেৎ তৌনা হায়রুই, 'করিমত্তা ৱাবীরুনু সার! অদোমগী পোংচৈ মরকসিদা শোয়দনা য়েংশিন্নরম্লনি... ঈংনা তম্না থিবীরো... অতৈ পেসেঞ্জরশিংগী চেক তৌরুরগা হল্লকপদা অমুক চঙজরক্লগে'... টিকেট চেক্করনা হায়রিবদু করিমত্তা তাদবা 'বর্নাদ শো'দি পাখৎপদু কোক্তনা, মখা তানা টিকেট থিরি।

মতৌদুদা নুংঙাইত্রমাল্লে, টিকেট চেক্করদুনা হায়রকই... 'টিকেটতুগীদমক্তদি করিমত্তা ৱাবীরুরনু সার, ফংদ্রবসু য়ারে, চনিং তানা ফমথবীরো, ঈংনা পন্থুং য়ৌনা চৎপীরো'...। 'সো'দু খংশাউ শাউরকই... 'ৱা ওন্থোক্লা ঙাঙখ্রেদা, নঙনা চেক তৌবা তৌদবা, ঐদি টিকেট'তু ফংদবা য়াদবনি... ঐনা চৎকদৌরিবা মফমসি কদায়দনো, কুমগদবা ষ্টেসনদু করম্বনো ঐ খঙদে টিকেট'তুদা ইরিবনি... টিকেটতু ফংদ্রবদি ঐনা চৎলিবা খোঙচৎসিগী কান্নবদু করিনো, য়ুমদা হনবা তাবা নৎত্রা'...?

খোঙচৎ অমগীদমক ময়ুমদগী থোরক্তুনা ট্রেন তোংলগা লাকখিবা 'বর্নার্দ শো'- পন্থুং অদু কাউথোকখিদুনা ময়ুমদা হল্লকখি। মহাক্কী অদুগুম্বা কাউগনবা মতৌ অদুগা মহাক্কী ইন্টেলিজেন্স, লাইপোক ওইবা মতৌদুগা মরী লৈনদে। স্কুল-কোলেজ-য়ুনিভর্সিটিনচিংবদা মহৈরোয়শিংবু চাংয়েং তৌদুনা পরিক্ষা লৌবদা, মখোয়না তম্লকখিবা লাইরিকশিংদা ইরম্বদুমক নীংশিংলগা ইবা ঙম্বদুনি মায় পাকপা, অফবা মী। পরিক্ষাদুগী ফলদুনা মহৈরোয়দুগী ইন্টেল্লেক্ট মশক তাকপদি নত্তে হায়বসিমদি খঙনসি।

লৌশিং পূক্কে

# চনম : ঈ উতোং, হার্টকা মরী লৈনবা লায়নাশিং লায়েংবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই



মালেমদা চহী লিশিং কয়াগী মমাঙদগী চনম চাদুনা লাক্লে। চহী লিশিং মঙাগী মমাঙদা গিজাগী পিরামিদ শাখিবা মতম অদুদগী অদুম্মক চনম চাদুনা লাক্লবনি। রিচার্দ এন্দ রিব্লিননা জর্নেল ওফ ন্যুট্রিসনদা ইরকখিবগী মতুংইন্না ৱেষ্টর্ন মেদিসিনগী মপানি হায়না লৌনরিবা হিপোক্রেটসনা মতম অমদা চনমবু তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং লায়েংবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্মী।

অরিবা মতমগী গ্রীসতা ওলেম্পিক্কী শান্নরোয়শিংবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা চনম পীজনরম্মী। ইজিপ্টতগী হৌরগা ইন্দজ ভেলি সিভিলাইজেসন অমসুং চাইনা ফাওবা চনম চাবগী কান্নবা তপ্না তপ্না খঙনরকখি। ইংলেন্দগী রোয়ল বোটনিকেল সেন্টর ক্যু গার্দেন্সকী এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না চনমবু অরিবা মতমগী মীওইশিংনা কান্নরবা হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্মী। ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মরুওইবা হীদাক ওইনা লৌনরম্মী।

মনম খরা কনবা মরম্না অপ্পর ক্লাসকী মীওইশিংনা চনম চাদ্রবসু মিদল ইষ্ট, ইষ্ট এসিয়া অমদি নেপালদা ব্রোঙ্কাইটিস, হাইপরটেন্সন (ব্লদ প্রেসর ৱাংবা), টি ভি (ট্যুবরকুলোসিস), লিভর দিসওর্দর, দাইসেন্ট্রি, ফ্লেটুলেন্স, কোলিক, ইন্টেষ্টিনেল ৱর্ম, র্যুমেটিজম, দাইবেটিস অমদি ফিবর লায়েংবদা চনম শীজিন্নরকপগী পুৱারী লৈ।

অনৌবা মতমগী মালেমদা ফ্রেঞ্চ, স্পেনিস অমসুং পোর্টুগীজশিংনা চনম শীজিন্নবা, হৌদোরকখিবনি। পুৱারীদা অমগা অমগা পাউ ফাওনবগী খুদোংচাবা লৈখিদবা মীওই কাঙলুপশিংনা মোত অমত্তা ওইনা চনমগী কান্নরবা মগুন শিংথারম্বা লৈ।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ হেল্‌থকী শরুক ওইরিবা নেসনল লাইব্রেরী ওফ মেদিসিনগী মতুংইন্না ঈ উতোং অমদি হার্টকা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং, মরুওইনা এথরোসক্লেরোসিস (ঈ উতোং কনশিল্লকপা), হায় কোলেষ্টরোল, হার্ট এটেক, কোরোনরি হার্ট দিজিজ অমসুং হাইপরটেন্সন লায়েংবদা চনমবু হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই হায়রি। ঙসিদি মীওই খরনা চনমবু লংস কেন্সর, প্রোটেষ্ট কেন্সর, ব্রেষ্ট কেন্সর, ষ্টোমাক কেন্সর, রেক্টেল কেন্সর অমদি কোলোন কেন্সর ঙাক্লবা হীদাক ওইনসু শীজিন্নরে। চাইনাগী জিয়াংসু প্রোভিন্সিয়ল সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সননা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, চয়োল অনী অনীরক্লম্বা চনম হিংনা চাবা মতমদা লংস কেন্সরগী রিস্ক চাদা ৪৪ রোম হন্থরকই। রিছার্চরশিংনা লংস কেন্সর পেসেন্ট ১,৪২৪ অমসুং মশা-মউ ফবা মীওই ৪,৫৪৩ গী মওং মতৌ কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

'কেন্সর' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা মেদিকেল য়ুনিভর্সিটি ওফ সাউথ কেরোলাইনাগী সাইন্টিষ্ট রে স্বপননা হায়খি, চনমদা য়াওবা ওর্গানো-সলফর কম্পাউন্দশিংনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ব্রেন ট্যুমরদা য়াওবা সেলশিং মাঙ-তাকহনবা ঙম্মী। মরম অদুনা চনমবু ব্রেন ট্যুমরগী সেলশিং হাৎপদা শীজিন্নবা য়াই। অদুম ওইনমক হিরম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনগদবা ৱাৎলি।

বৃটিশ মেদিকেল কাউন্সীলগী মস্ক্যুলো-স্কেলেটেল দিসওর্দর' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা কিং'স কোলেজ লন্দন অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ ইষ্ট এংলিয়া রিছার্চর কাঙবু অমনা হায়খি, এলিয়ম য়াওমা মনা-মশিং মরাং কায়না চারবদি ওষ্টিও অরথ্রাইটিসকী রিস্ক হন্থহল্লি। মরম অদুনা তিলহৌ অমদি চনমগুম্বা এলিয়ম মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক চাং নাইনা চারবদি তাঙ-তাঙ নাবগী অৱাবা মায়োক্লহন্দে।

ৱাশিংটন ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী ডা. জিয়াওনা লুনা র্জেনল ওফ এন্টিমাইক্রোবাইয়ল কেমোথেরাপিদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি, চনমদা য়াওবা দাইলিন সলফাইদনা অতৈ অতোপ্পা এন্টিবাইওটিক মখল খরদগী শরুক ১০০ হেন্না মতিক ময়াই লৈবা হেল্লি। মরম অদুনা চাং নাইনা চনম চারবদি কেম্পিলোবেক্টর বেক্টরিয়ম কৌবা ইন্টেষ্টিনেল ইনফেক্সন থোকহল্লকপা মহিক মখল অমা হাৎতোকপা ঙম্মী।

ফ্লোরিদাগী ওর্লান্দোদা পাঙথোকখিবা অমেরিকান হার্ট এসোসিয়েসন (এ ঐচ এ) গী সাইন্টিফিক সেসনদা পুথোরকখিবা রিপোর্ট রিপোর্ট অমদা ইমোরি য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ মেদিসিনগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, চনমদা য়াওবা দাইয়লালাইল ট্রাইসলফাইদনা হার্টকী ফীভম ফগৎহনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা দাইবেটিস নারবা মীওইশিংদসু কান্নবা পী।

অমরোমদা, অঙ্করা য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা জর্নেল ওফ ন্যুট্রিসনল বাইওকেমিট্রিদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি, চাং নাইনা চনম চাবনা ঈদা য়াওবা কোলেষ্টরোল অমদি লিপিদ হন্থহনবগা লোয়ননা ব্লদ প্রেসর হন্থহনবদা মতেং পাংই।

চাইনা-জপান ফ্রেন্দশিপ হোস্পিটালগী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুরোলোজিদা ডোক্তরশিংনা চথখিবা ষ্টদি অমদা চাং নাইনা চনম চাবনা প্রোটেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বা খঙলকখি। কনাগুম্বা মীওই অমা মতম শাংনা য়ু থক্লকপা মতমদা লিভর শোক্লকই। মসিবু ইথানোল ইন্দ্যুসদ লিভর ইঞ্জুরি হায়না খঙনৈ। অদুবু চাইনাগী শেন্দোং য়ুনিভর্সিটিদা স্কুল ওফ পব্লিক হেল্‌থকী সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্নদি চনমদা য়াওবা দাইলিন দাইসলফাইদ কৌবা ওর্গানোসলফস কম্পাউন্দ অমনা ইথানোল-ইন্দ্যুসদ লিভর ইঞ্জুরি ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়রি।

কনাগুম্বা নুপী অমা মীরোল্লিঙৈদা ইনফেক্সন তৌরবদি থা শুদনা অঙাং পোকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লে। অদুবু চনমদা য়াওবা এলিয়মনা খুদোংচাদবা অসি কোকহনবা ঙম্মী হায়না নোৱেজিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ পব্লিক হেল্‌থকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ানা মিশাৱাকাদা লৈবা সেন্ট জোসেফ ফেমিলি মেদিসিনরেসিদেন্সিগী জুলিয়া ফশনর, কেবিন এরিক্সন অমসুং সরাহ ৱর্নরনা 'অমেরিকান ফেমিলি ফিজিসিয়ন' জর্নেলদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমনা হায়খি, চাং নাইনা চনম চারবদি অঙাং অমসুং অহল অনীমক লোক থুংবগী অৱাবা কোকই।

# লিলোং তুরেলগী ইরোংদা নোংখ্রং ঈহনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯(ঐচএনএস) : লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপ, সাইদা শান্তিপুর লিলোং, ইমা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি লূপ, লিলোংনা পুন্না শীন্দুনা লিলোং তুরেলগী ইরোংদা নোংখ্রং ঈহনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নোংখ্রং ঈহনবা ইরাৎ থৌনিগা লোয়ননা ইরোং তুরেলগী তোর্ব্বানদা থৌরম পাঙথোকখি অমদি মীয়াম্না লাইনিং ইনাৎতা হঞ্জিনজরে হায়বা ৱাশককা লোয়ননা ঈরুপ্নখি।

থৌরম অদুদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী অঙোম নিংথৌ অমুবীনা থৌবুরেল ওইখি। টি ঐচ ইবুঙোহল, খ্বাইলাকপা, উত্রা শঙলেন সনা কোনুং অমসুং ওইনাম মেঙ্গোর খুমন, প্রসিদেন্ট লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট নিংথৌজম নিংথেমজাওনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, মালেম অসিদা লৈরিবা মতিং লৈবা, মশক থোকপা ফুরুপ অমদি কাঙলুপ পুম্নমক্ন মশা মশাগী মরৈবাক, খুন্নাই মনাৎ লাইনিং, মরোল ময়েক, হৌনরোল চৎনরোল, চাকচা-ফিজেৎ, হরাও কুম্হৈগী শক্তম অমদি পুন্সি মহিং ঙাক্লা হিংনরি। অদুবু লাইনিং ঙাকপা ঙমদ্রবা ফুরুপ কয়া মালেমসিদা মুৎখ্রে অমদি মুৎলকখিগনি। কংলৈ য়েলহৌমী ঐখোয়না ইশাগী লাইনিং, শক্তম, ঈরোল ঈয়েক, য়ুম্বান-কৈবালগী পুন্সি মহিংবু ঙাকচবা ঙমদ্রবা ঐখোয়সু মালেম অসিদগী মুৎখিবা তাবনি।

কংলৈপাক্কী পুৱারীগী লাইবক থীবা তাঙ্কক অমদা কংলৈচাশিংবু মীতোপ মীয়ানগী লাইনিং নমদুনা লৌহন্নবা তৌহৈদ্রবা তমথীরবা থৌদোক কয়া চথখি। অকি-অখং পীদুনা মীওৎ-মীনৈগী পাম্বৈনা মীয়াম লাইনিং লৌহনখি। অথিংবা, অয়েৎপা মনাৎ লাইনিংবু নুংশিজবা কয়া কয়া হাৎখি। কংলৈচা সলাইশিংগী লৌশিংগী পূক্কে ওইরবা পুয়া চা কয়া মৈ থাদুনা মাঙহল্লগা মীয়ান লাইনিংগী লাইরিকমহুৎ শিনখি। লাইনিংগী লাইফম কয়া থুগায়খি। সনামহী কোল্লু য়েখাইখি। লৈপাক্কী মমিং, লৈফমশিংগী মমিং মীরোলদা থোনখি। অতোপ্পা লাইনিংগী লাইগী মমিং থোনজিনখি। মীয়ান লাইনিং লৌ হায়বা য়াদবা মীওই লিশিং কয়া লোই থাখি। কয়ানা লৈপাক থাদোক্তুনা চেন্নখি হায়খি।

মতুংদা লৈপাক খুন্নাইগী য়াইতোং খমদোংবা, শাগৈশিংগী য়েক-সলাইশিংগী পিবাশিংবু নমদুনা কৌখৎলগা নামুংবা থবক তৌহনখি অমসুং থমাইখি। তইবং মপুনা শরি ঙাক্লিংঙাই অহকপা পাম্বীগী মশক ওইরবা নোংখ্রং (নুংখং) মশা পাইহন্দুনা লিলোং তুরেলগী ঈরোংদা কুমজা ১৭২৯ গী ৱাকচিংগী থানিল য়ুমশকৈশা নুমীৎ ঙসি হায়বা অসিদগী রমান্দি ধর্ম্ম চৎলগে হায়না শরি ৱাশকহন্দুনা ঈরুপহনখি। অসুম্না মপোক তরেৎলক্তি ঈরুপ ৱাশক ঙাক্লগা নোংমা হেনবদা কংলৈ ঈরমচৎ অরিবদা হঞ্জিনবা হায়না য়ানদুনা নোংখ্রং ঈরুপহনখিবনি হায়খি।

কুমজা ১৯৭৪ গী ফেব্রুৱারী ৬ তা ইনিংথৌ পরৈহনবনা চিংদুনা নোংখ্রং ঈহনবগী থৌরম পাঙথোকপা হৌখি। জিরি পান্থোইবী হিদেনদসু লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপ, জিরিবামনা শীন্দুনা অমদি কছার তুরেলদসু লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপ, কছারনা শীন্দুনা নোংখ্রং ঈহনবগী থৌরম পাঙথোকখি।

# অমিট শাহগী ষ্টেটমেন্টকী মতাংদা সী এমনা শেংদোক্তুনা তাংদাংবা খঙবা পাম্মী : পাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৯(ঐচএনএস): বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা সী এ বিগী মতাংদা হায়খিবা ষ্টেটমেন্টকী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি বি জে পিগী ৱাঙাঙলোইনা শেংদোকপিদুনা তাংদাংবা অমা খঙবা পাম্মী হায়না পিপলস এলায়েন্স মণিপুরগী মিদিয়া কোওদিনেটর রবি খাননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা রবি খাননা হায়খি, অমিট শাহনা ষ্টেটমেন্ট পীবদা ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা সী এ বি হাপদা নত্তনা বি জে পি লৈঙাক লাক্লবদি পাস তৌদুনা চৎনহনগনি হায়বা ৱাফম থমখ্রে। মসি অথুবা মতমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা শেংদোক্তুনা তংদাংবা খঙবা পাম্মী। রাজ্য সভাদা সী এ বি পুথোকখিদ্রে হায়দুনা পাস তৌররোই হায়না ফঙ্কসন তৌদুনা সী এমবু তরাম্না ওকখি। হৌজিক্না বিল অসি পুথোক্কনি হায়না লাক্লিবা অসিগা য়াম্না কন্ত্রদিক্তরি ওই। বি জে পি মশেল নেসনল থাক্তা ষ্টেটকা খেৎনবা লাক্লে। নেসনল লিদরনা মণিপুর ষ্টেট বি জে পি য়ুনিটপু থওইদ্রবরা নৎত্রগা খঙন-খঙনা হায়রিব্রা। অমিট শাহগী ষ্টেটমেন্টনা অতোপ্পা ইহৌ অমা ইনভাট তৌবা থোক্কদ্রা। পামনা সী এ বিগী মতাংদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই। খোঙজং চঙশিন্নবা লেপ্তুনা লৈখিগনি। মণিপুরগী য়েলহৌমীগী শক্তম কায়দনবা হনবা লৈতনা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হয়েংদগী হৌগদবা এসেমব্লি মীফমদা বিল অসিগী হৌজিক লৈরিবা সিষ্টেম অসি ওইরবদি য়াবা ঙম্লোই হায়না রেজ্যুলেসন ইন্দিয়াগী লিদরশিংদা থাবা পাম্মী। মার্চ ৩ দা ইম্ফাল ময়োলদা চীং-তমগী অখঙ-অহৈশিং ইনভাইট তৌরগা পিপলস রিভিয়্যু ওন সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল হায়না পাঙথোক্কনি। মফম অমদি মতম লেপত্রি। অমিট শাহগী ৱাফম অসিনা মণিপুরদা নত্তনা নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্বুঊশিত্তনা অসামদা লাক্লগা হায়বা ঙল্লিবনি। মণিপুরগী সী এমনা অথুবদা পাউখুম পীরক্কনি থাজে হায়খি।

দিল্লিদা মহৈ তম্লিবা ভিৱোনবু দিল্লি পুলিসনা ফাবা কন্দেম তৌই। সী এ বিগী মায়োক্তা ইহৌ হৌবশিং অনলোফুল নৎতে হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্লা খঙফম থোকই। মণিপুরগী মীওই লাখ ২৫ হেনবা অসি সী এ বিগী মায়োক্তা ইরাং হৌবগীনি হায়দুনা ফাবা ঙমগদ্রা হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০।০২।২০১৯ ইং, য়ূমশকৈশা, ফাইরেনগী ১৬নি পানবা

মেষ: অঙনবদা ইকায়খুম্নবা ফংবা নত্তনা অয়াম্বা লমদা ওইজবা ইফং ফংলোই। লৌশিং থোকপা ৱাৎপা অদুনা অচুম-অরান খঙবা ইঙম ঙমদবা লৈগনি। মীৱা লৌরদি কায়ননি।
লৈশা পাখংশিংগী-অচুম্বা খংলগা ঙাঙবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃষ: ললোন ইতিক নত্তনা অতৈ লম্ খুদিংমক্তা চাউনা মায় পাকচবা লৈগনি। পন্দুনা লৈরুবা শেল ফংবা, মরুপ-মপাং নুংশিনরকপা অমদি লমদগী কান্নবা য়াম্না ফংবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংঙাইবা পাউ তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিথুন: মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎকনি অদুনা মীরক চংবা চেকশিল্লু। থাজদবা নক্লবনা নথক থোংবদা লান্না পাউথোকপিবা য়াবা লৈগনি। নরলদি চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী-নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

কর্কট: পাঙ্গল ফুদোকপা য়াবা নুমিৎনি, শান্নবগা মরী লৈনবা থবক্তা মীংচৎ ফংবা অমদি লন ফংজবা নুমিৎনি। ৱা য়াম্না ঙাঙগনু-লোয়নবনা য়েংশিনবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- খাংবা কনবনা ওইজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ: হরাওবা নুংঙাইবা, ৱাখল থোকপা অমদি থবক থৌওং হোংদোকপনা চাউনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। থেংলপ্না নুংঙাইবা পাউ তাই। শেলদি চিনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

কন্য: মীয়ামগা লোয়নবা ফংগনি, লন চঙগনি, পাউ নুংঙাইবা তাগনি, মীথোই মীহেনবা লৈগনি অমদি হনবা লৈতনা হোৎনবনা য়েক্লবা মাঙহনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা: অচানবা কায়নবগী নুংঙাইতবা অমদি ইমুং-মনুংদা ৱাখল তামিন্নবা ৱাৎপা লৈগনি। অদুবু ললোন ইতিক্কী থবক মাঙজিল থাগনি অমদি অরিবা থবক পাংগনি, মীচং খরসু ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী- খোংরাংবনা ৱাহল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

বৃশ্চিক: অঙম্বনা চাল্লনি, অরং-অরাক ফংগনি অমদি লাইবক ফবা ওইবনা ওইজ ওইথক তানবসু মায় শোইদনা পাক্কনি। নচাক নরলদা য়েংথিবদি লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু: য়েক্লবা ঙমজবগী নুংঙাইবা, পন্দুনা লৈরম্বা থবক্কী পাউসু নুংঙাইবা অমদি মীরক চংলগা নুংঙাইবা নুমিৎনি। থেংলপ্না অঙম্বনা চানগনি। লম চৎপদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থোইনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর: অরুবা থবক পাংগনু, অশাওবনা মরুপ-মপাংগা মরী ফবা ৱাৎকনি অমদি ফংবা য়াবা শেল থুম পনখিনি। নোল্লুকপনা নরল কঞ্জগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অনীংবা ৱা ফোঙদোক্তবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কুম্ভ: নিংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা নুমিৎনি। অফবা মফম ফংগনি, অরুবা থবক পাংবা ঙমগনি অমদি মীয়াম্না থাগৎপিগনি। অরং-অরাক ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মীন: ৱাখল থোকপা অমদি মীচং য়াম্না লৈবা নুমিৎনি। থবক য়াংগনি, লৌশিং থোইদোক্লা লৈগনি অদুনা ৱাখল তান্নদবা লৈরম্বা কোকথোকপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# ফিশরিজ ট্রেনিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯(ঐচএনএস) : নেসনল ফিশরিজ দিভলপমেন্ট বোর্দ (এন এফ দি বি) হায়দ্রবাদনা স্পোন্সর তৌদুনা দিপার্টমেন্ট ওফ ফিশরিজ, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ ফিশরিজগী ট্রেনিং হোলদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ফিশ ফার্মর ওন্ট্রপ্রেন্যুর ৫০ না শরুক য়াদুনা নুমীৎ হুম্নীগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম ওন স্কিল দিভলপমেন্ট এন্দ কেপাসিটি বিল্ডিং ঙসি হৌদোকখ্রে। এদভান্স ফিশ কলচর প্রক্টিসেস ফোর ইনহেন্সিং ফিশ প্রদক্সন হায়বা টোপিক অসিদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা ফিশরিজ দিরেক্টর বিদ্যারানি অয়েকপম, ফিশরিজ ওফিসর (বি এফ দি বি) জেনিসিং তরাও অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফিশরিজ ওফিসর থৌবাল ঈ শ্যামনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।


